# ব্রারী ৪ না পুনশিনবা জপানিজ ফিল্ম 'কব্রাইদান'

একেন সিজগুরুময়ুম



কব্রাইদান হায়রিবা ফিল্ম অসিগী আথদি ইংলেজি লোনদা গোষ্ট টেলস হায়বনি। পুন্না ব্রারী মরীনা পুনশিল্লা শেম্বা ফিল্ম অমনি। ফিল্ম অসিগী দিরেক্টরনা মসাদগী কৌবা য়াসিনি। অদুগা প্রদ্যুসরনা সিগেরু ব্রাকৎসুকীনি। ফিল্ম অসিগী স্ক্রিন প্লে অসি জপানিজগী ওইবা নোভেল অমদগী য়োকো মিজুকি অমদি লবকানদিও হেরেননা তৌবনি। অদুগা সিনেমাতোগ্রাফরনা জোসিও মিয়াজিমানা ব্রার্ক তৌখি। ফিল্ম অসিদা জপানিজশিংনা খ্বাইদগী অঙকপা মওং অমদা উন্নখিবা ফিল্ম অমা ওইখি। মহাক্কী ফিল্ম অসিদা ব্লেক হিয়ার হায়বা অসিনা অহানবা ওইনা উৎখি। মসিদা মশম শাংবী ভুট অমনা মতৌ করম তৌদুনা কনাগুম্বা অমত্তা লৈজদ্রবা লাইরবা মীশক অমবু মতেং পাংখিবা হায়বদু মপুং ফানা উৎলি।

ফিল্ম অসিগী অনিশুবা শরুক ওইনা দি ব্লুমেন ওফ দি স্লো হায়বসিনা মতম কয়াগী মমাংদগী মমৌ পামজবা মীওই অমগীদমক মহাক্কী মচানুপাগীদমক্তা মৌ ওইনা লাকখিবী জপানিজগী ভুট অমগী মরমদা নম্বা ফিল্ম অমা ওইখি। উনদা লৈবা নুপী অদুনা মতৌ করম্না লাইরবা উ কল্লগা শিঙ ওইদুনা য়োনবা মীওই অদুগী পুন্সিদা লাকখিবা কয়া অদু উৎপা ফিল্মনি।

অহুমশুবা ব্রারী ওইনা ফিল্ম অসিদা য়াওবা হোটচি হায়রগা খঙনরিবা ফিল্ম অসিনা সমুরাইদা ঙাওজবা মমিৎ তাংবা ম্যুজিকসিয়ান অমগী মরমদা উৎপা ফিল্মনি। অদুগা অরোইবদা উৎলিবা ফিল্ম অসিনা কপ ওফ টি হায়বা ব্রারী অসিদা য়ুম্ফম ওইদুনা পুথোকপনি। ব্রারী মরী অসি তোঙান তোঙান্না নম্লগসু দিরেক্টর ওইরিবা মসাকিনা মিনিট ১৮৩ শাংবা ফিল্ম অমা ওইনা পুথোক্তুনা ইং ১৯৮৪ দা মীয়াম্না খ্বাইদগী পাম্নবা ফিল্ম অমা ওইখি।

ব্রারী মরি অসি অতেনবা মতম অসিগী মনুংদা উৎথোকপদা য়েংলিবা ভাবকশিংদা তম্ফদনবা তোঙান তোঙানবা শোর্ট দিভাইস কয়া অমা শিজিন্নখি।

অহানবগী ওইনা উৎলিবা ফিল্ম অসিদগী হৌরগা অরোইবগী ফিল্ম অসি ফাওবগী ওইবা তোঙান তোঙানবা ব্রারী লৈরগসু ফিল্ম অমা ওইনা য়েংবদা তম্ফদবা ফিল্ম অমদি ওইখি। জপানিজগী ফিল্ম অসিদি ভুটকী ব্রারী ওইরগসনু কা হেন্না অয়েংবশিংদা কিহনবা পোক্তবা অমা ওইনা তৌখি। মসিনা ফিল্ম অসিগী ওইবা লোজিক অমনি। অসিগুম্বা ফিল্ম কয়াসিগী মতৌ তমদুনা হোলিবুদতা ঘোষ্ট হায়বা ফিল্ম অমা পুথোরকপদা মীয়াম হুপ্না য়েংনখি। ফিল্ম অসিগী অহানবা ব্রারী ওইরিবা অসিনা নোংম শমুরাই য়াম্না হৈবা মীওই অমনা মশম মুশিন মুবা নুপী অমা লমখাংদা থেংনরকখি। মহাক্ল নুপী অদুগী কনা লৈতে হায়না খন্দুনা মহাক্কী ময়ুমদা পুরকখি। নুপী অদু পুরক্লবা মতুংদা মহাক্না লমদম অদুগী শেঙ্গাও পায়বা নত্রগা মতম অদুগী নিংথৌ মচানুপী অমগা লুহোংদুনা লৈখি। নুপা অদুনা মশম অমুবা য়াম্না শাংবী নুপী অসিবু করিসু থৌশাদনা মতম অদুগী নিংথৌগী মচানুপী অদুগী মনাক্তা লৈখি। চহি কয়াগী মতুংদা নিংথৌগী মচানুপী অদু শিখ্রবা মতুংদা মহাক্ল হান্নগী নুপী অদুনা লৈরিবা য়ুম অদুদা হল্লকখি। শেমজিনবীনবা কনা লৈত্রবা য়ুম অদুদা মশম শাংবী ভুট অদুনা মতম চুপ্পদা মহাক্কী নুপা হল্লকখিগনি হায়দুনা ঙাইখিবা কয়া অদু ময়েক শেংনা উৎপা ফিল্ম অমা ওইখি।

অহানবা তাঙ্কক অসিদা মশম শাংবী ভুট অদুনা মহাক্কী নুপী হেক ওইরবা মতুংদা মহাকপু হেন্না মীয়াম্না পাম্নবা শমুরাই হায়না খঙনরিবা থাং অসিদা হৈথোই শিংথোইবা অমা ওইবগা লোয়ননা মতম অদুগী নিংথৌনা মহাক্কী মচানুপী অদুবু নুপা অসিদা থাজরকখি। মতম খরা মহাক্কী য়ুম অদুদা নুপী অনি অদুগা পুন্না লৈরবা মতুংদা মহাক্না ভুট নুপী অদুবু অচম্বা নুপী অমনি হায়না খন্দুনা মাগী মব্রা লৌদনা লৈরকখি।

চহী কয়াগী মতুংদা মহাক্কী নুপী অতেম্বী অদুনা মহাকপু খায়নরক্লবা মতমদা ময়ুমদা হল্লকখি। তেক্লবা য়ুম অদুদা মহাক্ল অথেংবা অহিং অমদা থুংলখি। মতম অদুদা মহাক্না লৌখিবা মশম মুরগা শাংবী নুপী অদুনা নীংথিনা শেবা তৌখি। নোং ঙাল্লগা য়েংলুবা মতমদা য়ুম অদু ইতেক তেকলমখি অমদি মহাক্কী মশম মুবী মশম অদু শিরগা লৈরমখি। অঙকপা অমগা লোয়ননা য়েংলুবদা নুপী অদুগী অশিবা হকচাং অদুদগী থব্রায় অমা থোরক্লগা মহাকপু থিনা লৈরমখিবা ব্রারী অমনি ব্লেক হিয়র হায়বসি।

অনীশুবা ব্রারীদা দি ব্লুমেন্স ওফ স্নো হায়বা অসিনা কনা লৈজদ্রবা মীওই অমনা থবক ব্রানা শুবা মীওই অমগী পুন্সিদা মশক মতৌ ফজবী নুপী অমা থেংনখি। মহাক্ল নুপী অদুবু ময়ুমদা পুরক্তুনা মহাক্কী নুপী ওইনা লৈমিন্নখি। মতম খরগী মতুংদা মচা লৈরবা মতুংদা নোংমা উন য়াম্না তাবা নীংথমথাগী মতমদা মহাক্ল মচা অনী পুরগা লাকপদা লম্বীদা মহাক্কী নুপী অদু উন ওন্দুনা লৈহৌখিবা অদুদা শাগৎপা ব্রারী অমনি।

অহুমশুবগী ব্রারী অসিনা হোচি নৎত্রগা ইয়ারলেস হায়বা ফিল্ম অসিনি। মসিদা মতম অমদা জপানদা পালম্বা মীওইশিংনা মায়থীবা নঙখিবদগী লৈবাক অদুগী নুপীশিং অরুবা সমুদ্রদা চোংথদুনা শিজখিবা কয়া অসিগী ব্রারী অদুবু ঈশৈ ওইনা শকপা মমিৎ উদ্রবা বুদ্ধিজ টেম্পল অমদা লৈবা নুপামচা অমবু অথেংবা অহিংদা কৌরগা মহাক্ল ফারিবা হৌখ্রবা ঈশৈশিং অদু শিখ্রবা থব্রায়শিং অদুনা শকহনবা কয়া অসিদা য়ুম্ফম ওইবনি। মহাকপু বদ্ধিজ টেম্পল অদুগী লুচিংবা ওইরিবা মীওই অদুনা কয়ারক হন্না চখনবা ভুট প্লেটকি স্প্রিট কয়া অদু চঙদনবা মহাক্কী মমায় অমদি মশা পুম্নমক্তা ইরগা থম্লবসু ভুটশিং অদুনা মহাকপু টেম্পল অদুদগী অথেংবা অহিংদা কৌথোক্তুনা মখোয়গী হৌখ্রবা ব্রারী কয়া অদুবু ঈশৈ ওইনা শকহনখিবা অদুদা য়ুম্ফম ওইবা ব্রারী অমনি।

অকোনবগী কপ ওফ পি হায়বা অসিনা চা য়াম্না তোয়না থকপা মীওই অমনা চা খৌরাংলকপা মতমদা ওইখিবা অব্রাবশিং অদুদা য়ুম্ফম ওইবা ব্রারী অমনি। হায়রিবা ব্রারী মরি অসিনা পুনশিল্লগা জপানিসকি দিরেক্টর মশাকিনা ঘোষ্ট টেল নৎত্রগা কব্রাইদান হায়দুনা পুথোকপা ফিল্ম অমনি। ফিল্ম অসিদা য়াওরিবা ভুটকি ব্রারীশিং অসি মীয়ামদা হায়বদি অয়েংবশিংদা থোইদোক্লা কিহনবা অমদি খঙহনবা ফিল্ম অমা ওইখিদে। ভুট ওইরবসু মীওইবগী অব্রাবা তারবা মতমদা মতেং পাংবা ভুট ঙাক্তনি হায়বা অসি দিরেক্টর অসিনা মপুং ফানা উৎখি। মসিদা চাউনা মতেং পাংখিবা ম্যুজিক দাইরেক্টর টোরু টাকেমিসু অমদি স্ক্রিন প্লে রাইটর য়োকো মিজিনচিংবশিংনা য়াম্না চাউনা সপোর্ট তৌবগী মথক্তা সেনিমা ওটোগ্রাফর ওইখিবা য়োসিও মিয়াজিমানা নীংথিনা হেন্দল তৌদুনা মীয়ামদা মপুং ফানা ফিল্ম ওইনা উৎখিবা ব্রারী কয়াদা য়ুম্ফম ওইবা প্লে অমনি।






ফিল্ম অসিদা শক্তম লাংখিবশিং অসিবু জপানিজকি রাইটর কয়া অমদি অতোপ্পা লৈবাক্কী রাইটরশিংনা থাগৎপা ফোঙদোক্লখি। হৌজিক ফাওবদা জপানিজ ফিল্মগী তোপ তোপ্পা মগুণ অমা লেপ্লিবসি জপানিজকি মতম অমগী দিরেক্টর মাসিকি অসিনা অনীশুবা ওইরি। মীয়াম্না জপানিজ সেনিমাবু হেন্না পাম্নহনখিবা অফাওবা দিরেক্টর অমা হায়রগদি অকেরো কুরুসব্রানি। কুরুসব্রাগী ফিল্মশিং অসি হৌজিক ফাওবদা মালেমগী ওইবা ফিল্মশিংগী খন্না নৈনবদা মহাক্কী মরমদা পুথোক্তুনা অমদি মহাক্ল নম্লম্বা ফিল্ম কয়া অসিগী মতাঙদা খন্না নৈনবগী থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

জপানিস ফিল্মসনা ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা পৃথিবীগী মীয়ামদা ফিল্মগী তোপ তোপ্পা মহাও অমা পীদুনা লাক্লি। হৌজিকসু মসিমক পীদুনা লৈরি। মখোয়গী ফিল্মশিং অসিদা পৃথিবীগী অতোপ্পা মফমদগী পুথোরকপা ফিল্মগা য়াম্না খেন্নে। হোল্লিবুদকি ফিল্মশিংনা পৃথিবীগী মার্কেট খুদিংমক খুদুম চল্লে হায়রগসু ইন্টর্নেসনেলগী ওইবা ফিল্মগী কম্পিটিসন নৎত্রগা হিদান্নবদদি জপানিস ফিল্মশিং অসিগী মফম কনানসু মুনবা ঙমদ্রি। মখোয়গী ওইবা তোপ তোপ্পা ফিল্ম কয়া অমা কুরুসব্রাগী মখাদা লৈরম্বা দিরেক্টর কয়ানা লেপ্পা লৈতনা পুথোরক্লি হায়বা তই।










# EMPLOYMENT NEWS

## L.G. MOTORS

| Name of Post | Qualification | Age | Branch | No. of Post |
|---|---|---|---|---|
| 1. Asst. Manager Banking | BCom/MCom(Com.Know.) | 24 to 35 yrs | H.Q. | 1 |
| 2. Asst. Manager | 10+2 Above(Computer Knowleds) | 24 to 30 yrs | Sekmai | 1 |
| 3. Asst. Manager | 10+2 Above(Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Samurou | 2 |
| 4. Asst. Manager | 10+2 Above(Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Lamlai | 1 |
| 5. Asst. Manager | 10+2 Above(Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Bishnupur | 1 |
| 6. Asst. Manager | 10+2 Above(Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Moirang | 1 |
| 7. Asst. Manager | 10+2 Above(Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Pangei | 1 |
| 8. Office Asst. | 10/10+2 (Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Sekmai | 1 |
| 9. Office Asst. | 10/10+2 (Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Lamlai | 1 |
| 10. Office Asst. | 10/10+2 (Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Bishnupur | 1 |
| 11. Office Asst. | 10/10+2 (Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Moirang | 1 |
| 12. Security(Unmarrid) | 10/10+2 | 18 to 25 yrs | H.Q. | 2 |
| 13. Driver (Unmarrid) | VIII Pass | 20 to 28 yrs | H.Q. | 1 |
| 14. Mechanic (2Wheeler) | VIII Pass | 20 to 30 yrs | H.Q. | 2 |
| 15. Grade 4 | VIII Pass | 28 to 40 yrs | H.Q. | 1 |
| 16. Recovery Officer | 10/10+2 | 20 to 28 yrs | H.Q. | 2 |
| 17. Computer Operater | Well experence in DTP | 20 to 30 yrs | H.Q. | 1 |

**N.B. :** Post খুদিংমক ওফিসশিং অসিগা নক্লবা মফমশিংদা লৈবা মীওইশিংনা হেন্না খুদোংচাবা পীগনি।Post অসিবু পাম্বীবা মীওইশিংনা Bio-Data, Contact No., Qualification Certificate অমসুং Experience শিং লোয়নবীরক্কদবনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক হেদ ওফিস্তা লাকপীরগা খংবীবা য়াগনি।

*Office Hour : 9.00 a.m. to 4 p.m.*
*Sunday / Gen. Holiday Will be Closed*

*Sd/- Manager*
**L.G.. MOTORS**
Khagempalli Huidrom Leikai (H.Q)
Near Yumjao Lairembi Maning, Imphal West, Manipur

Branches at : Thoubal Near Okram Lamkhai, Bishnupur, Samurou Bazar Opp. PHC, Patsoi Opp. Patsoi Police Station, Lamlai Opp.Lamlai PS, Pangei Opp. 1st Gate M.P.T.C. and Sekmai Koujengleima, Kakching Opp. Kakching Fire Service

Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,*